থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# মায় পাকপা অমদি শেল পায়বা

মায় পাকপা মীশক, 'সক্সেসফুল পর্সন', অমা ওইবা হায়বসি মীপুম খুদিংমক্কী মঙলান্নি। অদুবু তাইবংদা পোক্লবা মী খুদিংমক মায় পাক্লবা মী হায়বদুদি ওইরক্তে। মীওই চা কয়াগী মনুংদা অমত্তনি মায় পাক্লিবা। করম্না মায় পাক্কদগে - ঙসিদি নৈনবগী অচৌবা হীরম অমা ওইরক্লে। মায় পাকপগী অসম্বা লম্বী - এ সোর্ত কত ৱে তু সক্সেস - অদুনি পূম্নমক্না পাল্লিবা। কুইনা শাংনা করিগুম্বা হীরম অমদা হোৎনজরকপগী মহয় ওইনা ফংবা মায় পাকপদু নত্তবা ! হনুবা হনুবী পান থাবগী ৱারীদা, ঙসি অহিং থাখিবা পান-মরূ অদুনা নোংঙাল্লকপদা শারেপ ফারম্বা পাম্বী'দুগুম্বা, ওভরনাইত-সক্সেস-ফোর্মুলা অদুনি ঙসিগী মীরোলনা পাল্লিবা। মতাংসিদা হাইফেৎ নৈননিংলকই - মায় পাকপা হায়বসি করিনো ? তৌরুবা থবক অমা মপূং ফানা পাঙথোক'ঙমখিবা (মঙ্গল ওইরকপা) অদুবু মায় পাকপা কৌবরা? হুরান-চীন্থি, ওইদ-পাদ তৌদুনা মরল-মথুম লেপশিনবা, ইনাক খুনবা শেল পায়বা ওইরকপা - অদুসু মায় পাকপা কৌবরা ? শেল পায়দবা মীশক্তি মায় পাকপা কৌদবরা? মহৈরোয় ওইরিঙৈ মকোক থোংদুনতা লাকখিবা, শেলগী সপ্পোর্ট ৱাৎপনা দোক্তর/ইঞ্জিনিয়র ওইহৌদ্রবা, দোক্তরেৎ দিগ্রীসু পায়হৌদ্রবা, তুংগী য়ুম্বী ওইগদবা মহৈরোয় শেম্বদা কখোল্লবা মহাক্কা, স্কুলগী ক্লাস'তা মনিংদতা ফমখিবা, মেত্রিক-পি-য়ু লানখিদবা, চহী খরা মাঙলুরগা নোংম ফুং ফাওরক্তুনা কোনুংগুম্বা য়ুম শারকখিবা, মমল য়াম্বা কার তোংদুনা ভোট খোম্বা চৎলিবা মহাক্কা, করম্বনা হেন্না মায় পাকপা মীশক্লো? করম্ববু খনবীগদগে? থম্মোয় শেংনা হায়বীয়ু। ঐদি থাজৈ - অয়াম্বনা হায়রক্কনি অকোনবগী মী মখল অসিনি, 'মীনা ইকাই খুম্নবা মায় পাকপা মীশক'।

মায় পাকপগী ৱাহস্থোক ইরায় লায়না হনগুমসি। মরল মথুম পৈশিনবা ঙম্বদুবু কৌগদ্রা ? শেল হেন্দোক্লা পায়দ্রবসু পুক্নিং ৱাখল নুংঙাইনা লেনবা ঙম্বদুবু কৌগদ্রা? মালেমগী অয়াম্বা মফমশিংদদি লন-থুম, ইকাই খুম্নবা অমদি মিংচৎ পুরকপা ঙম্বা মীশক্তুবু কৌই - মায় পাকপা। কনাগুম্বা অমনা মতম চঙনা, পামজনা হোৎনজরকপা থবক অমা পাঙথোকপা ঙম্লকপা অদুসু মায় পাকপা কৌই। 'বোর্ন তু ৱিন' কৌবা মমিং চৎলবা লাইরিক অদুগী অইবা, মোতিভেতর 'জিগ জিগলর'না হায় - মায় পাকপা হায়বসি করিনো, ৱাহৈ পরেং অমখক্লা কৈদৌঙৈদা মশক তাকপা ঙম্লোই। ঙসিগী থম্মোয় পাউদমসু, মায় পাকপগী মরমদা মায় পাক্তবা অমনা তম্বা পাউদম অদু নৎচদে। ইচম চম্না পঞ্জরুবনি মীপুম খুদিংনা মিতাজবা, ফংঙমদবা পোৎশক অসি করিনো!

অদুবু, থম্মোয়সিনা কন্না ইনশিল্লি - মায় পাকপা হায়বসি মপান নাইদবা লন পৈশিনবা ঙম্বা মীশক অদুনি। করম্বা লন? ৱাহংসিননি লম্মুক্লহল্লিবা পুম্নমকপু। সনা-লুপা-মনি-মুক্তা ইনাক্তা পৈদুনা লৈরগা ইরল লৈবা কৌগদ্রা ? নোংম পুল্লপ মাঙখিবদা, হুরানবনা হুখিবদা ইরোন ইরান তাক্কদবা লন অদুদি লন নত্তে অশেংবা। অরোনবা ইমুংগী উপুদা পৈশিন্দুনা থল্লিবা শেল 'মপুন'দুসু লন নত্তে অদোমগী। খঙহৌদনা হৌরকপা মৈজাও অমদা মাঙখিদৌবা, ইপোৎনি খন্না কোনশিল্লুবা মমল য়াম্বা পোৎশকশিং! মরল নত্তে কনামত্তগী। ইপোৎ নত্তবা ইরলদুদি পৈশিল্লুবগী করি কান্নে। কান্নদবা থবক তৌরিবা মহাক্তুদি করম্না অশিংবা কৌরুনি। অপঙবা মী অমবুসু মায় পাকপনি করম হায়গনি?

মায় পাক্লবা মী! মায়থীরবা ময়ামগী ফিদম মশক অমনি। মায় পাক্লবা মী অমত্তনা তানশিল্লুবা মরল মথুম পৈশিন্দুনা থল্লমদে। সনা, লুপা, লেন্দ, বিল্ডিং, দাইমন্দ... লেপ্তুনা অদুম লৈহন্দবা, শীজিন্নফম খঙনা শীজিন্নদুনা অহেনবা লন তানশিল্লকপা, অহেনবা পুক্কে অদুনা অতোপ্পা কয়াবুসু নুংঙাইহনবা, মপোৎ-মরল লেপশিনহনবা ... অদুবু কৌই অশেংবা মায় পাক্লবা মী, ইনাক খুনবা মী। মথন্তা ইনাক খুল্লগা, লায়রবা ময়াম্না কোয়শিনবা - মহাক্তুদি নত্তে 'মায় পাকপা মী'। পীথোকপদা হালেঙদবা, পীথোক্লগা হেনগৎপা, অদুবু কৌই 'ইনাক খুনবা মরল'। অমম্ববু ঙালহল্লিবা মৈরীদুনা চুখিবা মৈরি লিশিং লিশিংদুনা মাগী মঙাল হন্থহনবা ঙম্বরা ? পীথোক্ত্রিবা লৌশিংনা মপূং ফাদবা অদুগুম, অতোপ্পা কয়াবুসু ইনাক খুলহনবা ঙমদবা ইনাক খুনবা, ইনাক খুনবা নত্তে। মায় পাকপা মী শেম্বা ঙমদবা মহাক্তুসু নত্তে মায় পাকপা। ৱেল্ঠ ক্রিয়েসন/লন-লেপশিনবা হায়বসিসু লেপ্তুনা চেন্থরিবা অকনবা ঈচেল অমগুম্বনি। ঈচেলদুগা ইরোইননা চেনগদবনি 'মীওইবগী অশেংবা লন'। ঈচেলদুগী তোর্ব্বান্দনি পৈশিল্লমগদবা লন-থুম, তোর্ব্বান্দুদা লেপ্তুনা করম্না মরল খুনগনি। নীংশিংবীয়ু - ফমদুনা লৈবা কনামত্তা মায় পাকপগী লম্বীদা চৎখিদ্রি।

লৌশিং পুক্কে অমদি লনগী পুক্কে - অনী অসি তানবা ঙম্বা অদু নৎত্রা মায় পাকপা ? ৱাহৈ শকওং কয়া থোক্লা হল্লবসু অনীসিমদি কৈদৌঙৈদা হুন্দোকফরোই। অদুনদি, ৱাহৈসিমসু কনামত্তনা ককঙল্লোই - মায় পাক্লবগীদমক্তা, লন লেপশিন্নবগীদমক্তা 'শেল' - খ্বাইদগী মরু ওইবা খুৎলায়নি। শেল তান্নবগীদমক্তা, কৈদৌঙৈদা শেল তুংশিন্দুনা থল্লোইদবনি। তুংশিন্দুনা/পৈশিন্দুনা থম্বা শেল, মায় পাকপা মীশক অমগী খোঙলোয় কৈদৌনুংদা ওইরক্লোই। শেল, মতম চুপ্পদা পোত্থাদবা, তুংশিন্দুনা লৈতবা, লেপ্তুনা চেল্লিবা ঈচেল অমগুম্বনি। ঐগী ইখুত্তা লৈরম্বা শেল'না অদুক্কী মতিক পোত্থাফম খঙদ' চেল্লিমখৈ, অদুক্কী মতিক মমল য়াম্বা ইরলনা ঐগী ইতুং ইল্লক্কদৌরিবনি। মহাক্লা খোঙজেল য়াঙনা চেনবা ঙল্লিবগী মতিক, মহাক্কী মচা-মশু হেন্না শন্দোকপা ঙল্লিবনি। মরমদুনা ওইবা তাই ইংরাজিদা মনি (শেল) হায়বসিগী অতোপ্পা মমিং 'করেন্সি' হায়না থোল্লল্লিবা! মসিদি লেপ্তুনা চেল্লিবা 'করেন্ত' (ঈচেল) অমনি।

মরম অসিনা, পুন্সিদা মায় পাকপা পাল্লবা, ইনাক খুনবা পাল্লবা, মরল লৈবা পাল্লবা, শেল পায়বা পাল্লবা ... নখুত্তা পায়বা শেল অদু ফুরিৎখাউদা হাপ্পনু, উপু মনুংদা থম্লনু। ঙসিমক খরচ তৌথোকখো, ময়োল চোংবতা ঙাইরিবা পাম্বীদুনা গ্রেভিতিগী মায়োক্তা নোংদোল তম্না কাবগুম, অনৌবা ময়োল চোংহল্লু।



# য়ারী-য়াখোঙগী অনাবনা

## সিভিয়র কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন লাকহনবা



ওরেল হাইজিন নীংথিনা মেন্টেন তৌদুনা থম্বনা কোভিদ-১৯দগী ফগৎলক্লবা হোৎনবদা মতেং পাংবা ঙমই। মসিনা তাকপদি মীশি মীনা থোকহল্লিবা তমথিরবা ইনফেক্সন অসিগা ওরেল হাইজিনগগী মরক্তা হকথেংনবা মরী অমা লৈনৈ হায়বনি হায়না অনৌবা ষ্টদি অমগী ফাইন্দিংশিংনা তাক্লি।

অনৌবা ষ্টদি অসিগী রিপোর্ট অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সকী পেরিওদোন্টষ্টশিংগী লিদিং ওর্গনাইজেসন ওইরিবা অমেরিকান একাদেমি ওফ পেরিওদোন্টোলোজি (এ এ পি)না পব্লিস তৌখিবনি।

রিপোর্ট অদুদা অমেরিকান একাদেমি ওফ পেরিওদোন্টোলোজিগী প্রসিদেন্ট জি. ৱিলসননা ফোঙদোকখিবদা, সিষ্টেমিক ইনফ্লেমেসন হায়বসি পেরিওদোন্টেল (য়ারী য়াখোঙগী) দিজিজগখক মরী লৈনবা নৎতনা অতোপ্পা রেস্পিরেটরি দিজিজ ময়ামগসু মরী লৈনৈ হায়বসি নীংথিনা খঙনরবা ৱাফমনি।

মরম অদুনা য়ারী য়াখোঙগী লায়না নারক্তনবা নৎত্রগা অনাবা হেঞ্জিল্লক্তনবগীদমক য়া অমসুং য়ারী-য়াখোঙ মশা ফনা থম্বা হায়বসি কোভিদ-১৯ গুম্বা মালেম পূম্বগী লাইচৎ অমা তৌরিঙৈ মনুং অসিদদি তঙাইফদবা মরুওইবা অমনি হায়রি।

মসিদসু নত্তনা কানাদাগী মোন্ত্রিলদা লৈবা মগিল য়ুনিভর্সিটিগী রিপোর্ট অমদা ইনফ্লেমেসন তৌরবা য়ারী য়াখোঙ অমসুং ইনফেক্সনগী মরক্তা হকথেংনবা মরী অমা থেংনরে। অমদি ওরেল হাইজিননা কোভিদ-১৯গী কমপ্লিকেসনশিং ফিভম শোকচিলহনবদা করম্না থৌদাং লৌবগে হায়বগী মতাংদফাওবা উৎখিবগা লোয়নননা মসিনা মী শিহনবা ফাওবা য়াই হায়রি।

ষ্টদি অসিগী মতুংইন্না কোভিদ-১৯না নারগা শিবা য়াবগী চাং অসি য়ারী য়াখোঙগী অনাবা নৎত্রগা পেরিওদোন্টাইটিস লৈবা মীওইশিং শরূক ৮.৮ হেল্লি হায়রি। মসিদসু নত্তনা, অসিগুম্বা মীওইশিং অসি কোভিদ-১৯গীদমক হোস্পিটালাইজেসন তৌবা মথৌ তারকপা য়াবগী চাং শরুক ৩.৫ হেনবগা লোয়নননা ভেন্টিলেটর মথৌ তারকপা য়াবগী চাংনা শরূক ৪.৫ হেল্লি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোক্লি।

কোভিদ পোষ্ট-রিকভরি পেরিয়দ (কোভিদ নারুবদগী ফগৎলকপগী তাঙ্কক)তফাওবা ওরেল হেল্ঠনা য়াম্না মরুওইবা রোল অমা লৌই হায়বসু খঙবা ঙমখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা হেন্না মরীক চুম্না খঙহল্লদুনা মাইদেন্টেলপ্লান হেল্ঠক্যের প্রাইভেট লিমিটেদকী ফাউন্দর অমসুং চ্যেরর্মেন ডা. মোহেন্দর নারুলানা হায়, য়ারী-য়াখোঙ অমদি ওরেল হাইজিনগী ফিভম ফনা থম্বা হায়বসি মতম পুম্নমক্তা তঙাইফদনা মথৌ তাদুনা লাক্লিবনি অদুবু মসিগী মরুওইবসি পেন্দমিক অসিগী মতমদনা অমুক্কা হেন্না ময়েক শেংলক্লে। হৌজিক মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেব অসিদা ওরেল সিম্পটমশিংগী মশিং য়াম্বা হেনগৎলক্লি হায়না ফোঙদোকখি।

গম (য়ারী-য়াখোঙ) হেল্ঠকী মতাংদা মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ইচম চম্বা চেকশিন থৌরাংশিং খুদম ওইনা নোংমগী ব্রস অনীরক তৌবা, লৈ খেৎপা, ফ্লোসিং তৌবা (লংনা য়া শেংদোকপা), অমদি খৌনাউ তেংবনচিংবশিংগী মতেংনা গম হেল্ঠ নীংথিনা মেন্টেন তৌদুনা থম্বনা তমথিরবা লায়না লাইচৎ অসিবু হেন্না নীংথিনা থেংনবদা মতেং পাংবা ঙমই। মসিগী মথক্তা চহী অমদা অনীরক প্রোফেসনেল দেন্টেল ক্লিনিং তৌবা অমদি চাং নাইনা দেন্টেল চেক-অপ তৌবা হায়বসিনা কোভিদ-১৯গী সিভিয়রিতি অমদি মসিগা লোয়নবা কমপ্লিকেসনশিং হন্থহল্লি হায়বসি খঙনরবা ৱাফমনি।

ডা. নারুলানা মখা তারদুনা হায়, কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অসিদা ম্যুকোরমাইকোসিস হায়বা য়ারী-য়াখোঙ, য়া অমদি পেরি-ওরেল এরিয়াদা এফেক্ট তৌবা ফঙ্গেল ইনফেক্সন অমসু মায়োক্লরি। মসি গম অমদি ওরেল হেল্ঠকী ফিভম ফত্তবা ইম্ম্যুনোকম্প্রোমাইজ তৌরবা মীওইশিংগী মরক্তা পোষ্ট-কোভিদ-১৯ কমপ্লিকেসন অমা ওইনা দিভেলপ তৌরকপা খুদোংচাদবা অমনি। ওরেল হাইজিন ফিভম ফনা থম্বনা হায়রিবা পোষ্ট-কোভিদ-১৯ কমপ্লিকেসন অসিদগী ঐখোয় ইশাবু ঙাকথোকচনবা হোৎনবদসু মতেং পাংবা ঙমই হায়বসি হৌজিক্তি খঙবা ঙম্লে হায়নসু ফোঙদোকখি।

য়ারী-য়াখোঙ অমদি চীন-য়া মশা ফনা থম্নবগীদমক চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপা হায়বসি মীপুম খুদিংমক্কীদমক তঙাইফদবা মরুওইবা অমনি। হায়রিবা মরুওইবা অসি হৌজিক থেংনরিবা লায়না লাইচৎসিগী মতম অসিদনা অমুক্কা হেন্না ময়েক শেংলক্লে হায়রি।

# 'মথৌ তাবা মেনপৱার লৌদুনা শীজিন্নদনা লৈরিবা ভেন্টিলেটর শীজিন্নদুনা মীওইবগী থৱায় কনবীয়ু'

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচএনএস):




মথৌ তাবা মেনপৱার লৌদুনা শীজিন্নদনা লৈরিবা ভেন্টিলেটর শীজিন্নদুনা মীওইবগী থৱায় কনবীয়ু হায়না দেসাম থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

দেসাম থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী ভাইস প্রসিদেন্ট অমকচম রোনেলনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা নোংমদা পোজিটিভ ওইবগী চাং অসি চাংচৎতা মীওই ৬০০গী মথক্তা ওইদুনা অমদি মোর্টেলিটিগী রেটসু কা হেন্না ৱাংখৎলক্তুনা নোংমখক্তদা মীওই ২৩ শিবা য়াওখ্রবনি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী সেবিয়র ওইবা পেসেন্ট মশীং কা হেন্না ৱাংখৎলকপনা ভেন্টিলেটর ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরিঙৈ ফীভম অসিদা লায়না লাইচৎ অসিগী অহানবা ৱেভ লাকখিবা মতমদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা পীরকখিবা ভেন্টিলেটর মরি ঙসি ফাওবা শীজিন্নদনা লৈরিবা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি।

মহাক্লা হায়খি, দিষ্ট্রিক্ট অসিদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি সী এম ওগী মীৎয়েং মখাদা লায়না লাইচৎ অসি থেংননবগীদমক থবক কয়া লৌখৎলিবা অসিগীদমক্তদি অপেনবা পোকচরবসু অসুক লুরবা ফীভম অসিদা আই সী য়ুগী খুদোংচাবা ফংহন্দবা অসিগীদমক্তদি লাইবক থীবনি। দেসাম থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলনা করিগীদমক ভেন্টিলেটরশিং অসি শীজিন্নদনা লৈরিবনো হায়না য়েংশিল্লুবা মতমদা মথৌ তাবা মেনপৱার মতিক চাবা লৈতবদগীনি হায়বা খঙবা ঙম্লে।

দষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা আই সী য়ু বেদ ১০ থম্নবা ৱাফম লৈরবসু মরী লৈনবা হেল্ঠ দিরেক্টোরেটতগী হৌজিক ফাওবা চপ চাবা থবক লৌখৎতবনা খুদোংচাবা অসি করম্বা মতমদা ফংদুনা মীয়ামদা আই সী য়ুগী খুদোংচাবা অসি ফংহনগদগে হায়বা ঙমদ্রি। অথুবা মতমদা লৈঙাক্ল। অমদি হেল্ঠ দিরেক্টোরেটনা মথৌ তাবা মেনপৱারশিং থম্বীদুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা আই সী য়ুগী ফেসিলিটি ফংহনবীয়ু। মীয়াম্নসু লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক এস ও পিশিং অসি ঙাকমিন্নদুনা লায়না-লাইচৎ অসি মায়থীবা পীরসি হায়না দেসাম থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী মায়কৈদগী আপিল তৌজরি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

## 'ব্লেক ফঙ্গসকী ওইবা চেকশিন থৌরাংশিং খঙহনবীয়ু'

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচএনএস) :

কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ মরকসিদা ব্লেক ফঙ্গসকী লাইচৎ অমুক ইন্দিয়াদা শন্দোকপা হৌরক্লিবসিগী চপ চাবা ঐখোয় ঐখোয়না লৌখৎকদবা চেকশিন থৌরাংশিং মণিপুর লৈঙাক্লা অথুবদা খঙহনবীয়ু হায়না সেলিন দিজিটেলগী প্রদ্যুসর ফাঞ্জৌবম লনজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হায়রিবা লাইচৎ অসিসু ঐখোয় তরাই তরাইনা লৌবা চুম্লোই। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা মী শিবা ফাওবা য়াওরক্লবনিনা মণিপুরগীসু অথুবা মতমদা মরী লৈনবা লোয়শঙনা চেকশিন থৌরাংশিং মীয়ামদা খঙহনবীয়ু। অসামগী ওইনসু হকশেল লোয়শঙনা লাইচৎ অসি থেংননবগীদমক চপ চাবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিদ্যুর (এস ও পি) থোকপা লৈখ্রে। অসামগী ওইনদি লাইচৎ অসিনা মী শিবা ফাওবা য়াওখ্রে হায়বগী রিপোর্ট ঐখোয়না ঈ-পাউগী খুথাংদা তাবা উবা ফংখ্রে। মণিপুরগী ওইনসু মণিপুর লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অকনবা মওংদা লাম্থেংনরিঙৈদা ব্লেক ফঙ্গসকী লাইচৎ অসি য়ৌরক্ত্রিঙৈদা অথুবদা লৈঙাক্লা মসিগী চপ চাবা চৎন-কাঙলোন অদু লাউথোকপীয়ু হায়না সেলিন দিজিটেজ অমদি এন আর মীদিয়াগী মায়কৈদগী মণিপুর লৈঙাক্তা হায়জরি। ব্লেক ফঙ্গসকী লাইচৎ অসিগী মরমদসু ঐখোয় খ্বাই পুম্নমক্লা খঙনবসু হোৎনমিন্নসি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস):

কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই) গী নেসনল কাউন্সিল মেম্বর ওইরম্বদা নত্তনা পার্টি অসিগী টামিল নাদু ষ্টেট এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মেম্বর ওইরম্বা কমরেদ পি সেথুরমননা থা অসিগী ১৮গী নুমিদাং পুং ৮ লোম তারকপদা কোভিদ-১৯না মরম ওইরদুনা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা খঙহৌদনা লৈখিদবদা সী পি আই সেন্ট্রেল ওফিস (ন্যু দেল্লী) গী জেনরেল সেক্রেটরি দি রাজাগী মায়কৈদগী থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

## 'কোভিদ কিদুনা চেনগদবা নত্তে, ঐখোয় পুন্না লেপমিন্নদুনা লাম্থেংমিন্নসি'

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯ কিদুনা চেনগদবা নত্তে, ঐখোয় পুন্না লেপমিন্নদুনা লাম্থেংমিন্নসি হায়না ওল মণিপুর মুস্লিম দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (এ এম এম দি ও)না ফোঙদোরক্লি।

এ এম এম দি ওগী প্রসিদেন্ট এফ এম মনাৱার আলিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মালেম শিনবা থুংনা অকিবা ফংনা হৌখিবা কুমজা ২০২০দগী মথৎ-মথৎ শন্দোরক্তুনা পীকখ্রবা চাউখৎপগী মমি য়াম্না শাল্লিবা লায়রবা মীয়াম্না মশীং য়াম্না লৈজবা, শুফম নোংফম অমদি শেন্দালফম মরাং কায়না লৈজদবা ইরমদম মণিপুর অসিদসু লায়না অসিগী অৱা-চৈথেং নংলি। হৌখিবা কুমজা ২০২০ দদি ইরমদম অসিদা লায়না অসিনা মরম ওইরগা মী শিবা অমদি নাবগী চাং য়াম্না নেমখি। পাল্লিবা লৈঙাক অমদি ইরমদম অসিগী পোলিটিসিয়ন কয়া, সোসল ৱর্কর কয়া, সী এস ও, ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন, লৈকায় লৈকায়গী ক্লব, ওর্গনাইজেসন অমদি মীচম মীয়াম পুন্না অকি তুজুংবা, নোংজু নুংশা, অৱা-নুংঙাই পুল্লপ কাউথোক্লদুনা পুন্না হোৎনমিন্নদুনা তৌফম থোকপা থৌদাং কয়ামরুম তৌখিবদুনা মরম ওইরগা খরা খজিক শ্বর চনিং তানা হোনখিবনি। হৌজিকসু ঐখোয় ঐখোয়না ঙমজবা থাক্তা মতেং পাংশিনবা মথৌ তারি হায়না অমুকোনা লৈবাক মীয়ামদা তৌরিবা আপিল পুন্না শৌগৎমিন্নসি।

হৌজিক মপুং ফানা লাকশিনবা ঙমদ্রিঙৈ তাল্লক অসিদা ইরমদম অসিদা নোংম-নোংমগী অনাবা মশীং অমদি শিখিবগী মশীং য়েংলুরগদি য়াম্না মীপায়নিংঙাই ওইবা থাক অমদা লৈরিবনি। লায়না লাইচৎ অসিবু কন্ট্রোল তৌনবা লৈঙাক অমদি মরী লৈনবা পুম্নমক্লা অঙম্বা থাক্তা থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা হোৎনবা য়াবা হোৎনরি। মখা তানসু হোৎনখিগদবনি। মসিদা থৌদাং য়ারিবা পুম্নমক্কী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎচরি।

লায়না-লাইচৎ অসি লাকশিন্নবনি হায়দুনা লৈঙাক্লা দিষ্ট্রিক্ট অয়াম্বা কর্ফিয়ু থম্লি। তাঞ্জাসিদা লুরিবদি পুক্কী লানফম অসিনি। লায়রবা মীয়াম্না মশীং য়াম্না লৈবা, নোংমগী শুরগা তাঞ্জবা খরনা পুন্সি হিংজরম্বা কয়াগী মফমদা চাননবা লৈরক্তবগী লান অসিনি। লায়না লাইচৎ অসিবু মায়থীবা পীননবা মখল মখলগী পোলিসী কয়া পুথোকপীদুনা মীয়ামগী পুন্সি কন্ননবগী হেন্না ফরবা থৌদাং ঐখোয় পুন্না য়ামিন্নবা মথৌ তই হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## 'লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দপু তৌবীমল খঙবা উৎচরি'

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস) :

লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দকী অমাইবা লোয়শঙগী মাইবরেলগী থৌ পুবীরম্বা থৌদাম ইবোতোম্বীনা লৈখিদবদা হাঙদুনা লৈরিবা ফমগীদমক ঙমথং মাইবগী ফম পায়বীরিবা মৈস্নাম ইবোবা লুৱাং হিয়াংথাং মনিং লৈকায়দা লৈববু মাইবরেলগী ফম থিন্দোকপীরকপদা সনামহী টেম্পল বোর্দপু ঙমখৈ লৈতনা তৌবীমল খঙবা উৎচরি হায়না হিয়াংথাং লাইরেম্বী ইরৈমা থৌগল লূপকী সেক্রেটরি এল অপাবী মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ইবোবা লুৱাংনা মতম খরা পল্লুরবা সনামহীগী খুভম লেংশিন্ননবা হোৎনখিবদা অচৌবা খুদোংচাদবা মায়োক্লখি। লোয়নননা লোল অমদি ময়েক্কীদমক্তা অহকপা থৌদাং লৌরকপদা নত্তনা ইয়েক মরু শান্ননবা হোৎনখিবগী মেম্বরসু ওইরম্মী। মীতৈনা খুন্দারিবা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদসু চৎতুনা মীতৈ নাৎকী চৎন-কাঙলোনশিং মমুৎ তানা শন্দোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মীশকনি। লোয়নননা হৌজিক হৌজিকমক লৈবাক্কী অমদি হিয়াংথাংগী য়েলহৌঙৈগী মুৎপা য়াদবা খুভমলেনশিং শাগৎনবা অমদি হোৎনরিবা হিয়াংথাং লাইরেম্বী থৌগল লূপকী লুচিংপুরেল ওইরিবনি হায়রি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

### মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাল্লি

কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবশিংগী পোৎলোইফম ফাওবা কেএমসীনা পীবা ঙমদনা লৈরে



হৌজিক-হৌজিক ককচিং দিষ্ট্রিক্তা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওইগী মশিং ৩৩০দগী হেন্না লৈবগা লোয়নননা পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদবা মীওইগী মীশিংসু ২৭ লোম শুখ্রে। লৈবাককী অসুক চিরবা মতম অসিদা লোকেলিটিগী গ্রাস রুট লেভেলদা ককচিং এরিয়াগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক লেপ্তুনা তৌরম্বা কাউন্সিলরশিংসু থবক পুবগী মতম লোইখিবনা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল (কে এম সী)গী থবক থৌরম অয়াম্বসু মপুং ফানা তৌবা ঙমদনা লৈরে। হৌজিক কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লৈখিদবশিংগী পোৎলোইফম ফাওবা কে এম সীনা পীবা ঙমদনা লৈরি। মসিমক য়াম্না লাইবক থীবা থৌদোক অমনি। মসিনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী লৈত-লায়রা কয়াদি পোৎলোইনবা হোৎনবদা অচৌবা পোৎলুম অমা ওইহল্লে। লৈঙাক্লা এ দি সীগী চ্যেরমেনশিংবু ক্যের টেকর ওইনা খনখিবগুম্না দিজোলভ তৌখ্রবা য়ু এল বিশিংগী চ্যেরপর্সনশিংবুসু ক্যের টেকর ওইনা থম্বিয়ু। কাউন্সিলরশিংনা অহানবা কোভিদ-১৯ ৱেভ থেংনবদা লৌখিবা থৌদাং অদুগুম্না হন্দকসু লৌহন্দুনা লৈকায়-লৈকায়দা কোভিদকী অচঙবা লান্মী অমমম ওইহনবিয়ু।

❒ সোগাইজম রোনন, ককচিং ৱাইহিরি

ভোটকী মতমদা শেল য়েনবগী মহুৎতা ৱারবা মতম অসিদা নখোয়গীদমক ঐখোয় লৈরি হায়না উৎপীয়ু



হৌজিক-হৌজিক ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুরদা য়াম্না কন্না শন্দোরক্লিবা লায়না লাইচৎ অমা ওইরিবা কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ অসিনা হান্নগী পুন্সিদা য়াম্না অকায়বা ওইহল্লে। মরম অসিনা নোংম-নোংমগী শুরগা চাজবা মীওইশিংদা অৱাবা কয়া মায়োক্লহল্লে। কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকপা, কর্ফিয়ু থম্বা অমদি লৈকায়-লৈকায়দা পোজিটিভ ওইবগা লোয়নননা শিবা য়াওশিল্লকপা মরম্না থবক শুবসু য়াদবনা করি তৌরগা চাগনি অমদি করম হায়না হিংগনি খনবদা অৱাবা পোৎলুম অমা ওইরে। অসুম্না য়াম্না ৱানা লৈবাক মীয়াম্না হিংলিবা মতম অসিদা গভর্ণমেন্টনা মীৎয়েং খরা চঙহন্নিংই। ভোটতা শেল য়েনগদবা শরুক অসিগুম্বা ৱারবা মতম অসিদা নখোয়গীদমক ঐখোয় লৈরি হায়বদু উৎপীয়ু। অকুৎপদা কুৎথখিবা অমদি অতোংবদা ৱাংখৎখিবা হায়বদু থোক্লগনি। মরম অসিনা লৈঙাক অমদি লোকেল এম এল এ শিংনা অথুবদা লৈবাক মীয়াম্না চানিংঙাই-থক্লিংঙাই অমদি অনা-লায়েংনবা হোৎনবদা থেংনরিবা-মায়োক্লরিবা অৱাবশিং অসি য়েংবিদুনা অৱাবশিং অসিদগী কোকহন্নবা করি করম্বা থৌরাং পায়খৎপা য়াবগে হায়বদু খন্ন-নৈনবিরগা মতেং পাংবিরবদি লৈবাক মীয়ামগী থম্মোয়গী অপেনবা হায়বদু ওইগনি।

❒ নিংথৌজম রোনালদো, হৈরোক পার্ট ২

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৪।০৫।২০২১ ইং, নিংথৌকাবা;
কালেনগী ১৩নি পানবা।

মেষ: নিংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংবা, য়েৎলম্বা কোকপগী নুংঙাইবা, লৌশিং তানশিনবা ঙমজবা নুমিৎনি। অচুম্বনা মাংওইনৌ-কান্নগনি। হুরানবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃষ : হকচাং নুংঙাইগনি, লাইবক লৈগনি, ৱাখল থোক্কনি অমদি মীয়মানা য়াগনি। অদবু কিবা পোকপা অমদি খুদক্তা ৱা তুপ্পা য়াদবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিথুন: খুৎ চাওগনু-মতম মাংবনা হেনগনি অমদি য়েক্লবনা শাওহনগনি-পুক্নিং ফাথৌ। মরুপ মপাংগী ৱা তারবা মীংচৎ ফংবগুম নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈংথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কর্কট: নক্লবা মী লোইনৌ অমদি থৌরাং নিংথিনা তৌরবা থবক নত্তনা পাংদবা ফৈ। লাই গুরুনসু চানবীবা ৱাৎকনি। থেংলপ্না কান্নবা খরদি ফংজৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- মরুপকী মতেং লৌবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

সিংহ: অয়াম্বা থবক্তা মাই পাক্কনি, লৌশিং ফুদোকপা ঙমগনি অমদি থাগৎপিবা লৈগনি। অদুবু হকচাং নুংঙাইবদি ৱাৎলি অমদি হুদৈ চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কন্যা: ইচং থৌবা অমদি হেন্না অশা চাওবা কান্নরোই। অদুবু থৌনাদি মাংহনগনু অমদি অঙম্বনা য়ানবা চৎলু। মৈদৈ চেকশিল্লু অমদি নাপল থাদোকউ।
লৈশা পাখংশিংগী- হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

তুলা: হরাওবা-নুংঙাইবা অমদি নিংবদুমক পাংবা ঙম্বা নুমিৎনি। পোরম য়াৎপা হৈগনি অমদি ইমুং-মনুং ৱাতান্নবৈ কান্নজগনি। য়েৎনবদি মাংজৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্নিং পেঞ্জৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক: ৱাফংনরুনু-চৈবিবা অমদি অরং অরাক ময়েং তাবা য়াই। পংশিনবা অমদি কিবা লৈতনবা মীৱা হেন্না থাজগনু। নক্লবা মীগী ৱাদি কান্নাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

ধনু: পাইরক্কী লৌশিং থেল্লি, নাপল থাদোকউ। অঙম্বনা য়েংশিল্লু, কাওগনু। নোল্লুক্লা চৎলদি মাংলোই। লাইবক ফবা অমদি পাউ নুংঙাইবা তাবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱারৌনবা লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ চিনি অঙাংবা।

মকর: নংথিনা খন্থবনা অফবা থবক পাংলগনি অমদি নহৈ/নচা ননাইগী লমদা চাওখৎপগী নুংঙাইজবা লৈগনি। ঙকচাও থেক্কনু অমদি চিন কনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা খরদি থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

কুম্বা: মীপাইবা নংবা য়াই-হেন্না অশা তৌরুনু। অদুবু ঙাং শকপদি য়াম্না পকচগনি অমদি নিংথিনা য়াৎথোক্লবা থবক্তমক পাংবনা চাওনা মাই পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতাং চাদে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন: অরিবা থবক পনবা অমদি লৌশিং ফুদোকপা ৱাৎলসু কান্নবা খরদি ফংই, লোইনবনা চানবী অমদি নুংঙাইবা পাউ তাগনি। থিজিনবা কান্নজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- থেংলপ্না নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।